ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯷, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ১৭, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৪৩শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯ অমসুং ওনলাইন ক্লাস

## মহৈরোয় কয়া লাইরিক তম্বা তোকখিবা য়াবগী ফীভম লাকপা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী স্কুল অমদি কোলেজ পূম্নমক মার্চ ১৬তগী থোঙ লোন্দুনা লাকখি। মার্চ ১৯দা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী)না ইগজাম পূম্নমক মার্চ ৩১ ফাওবা য়ৈথোক্লবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা খঙহনখি। সী বি এস ঈ অমদি আই সী এস ঈনা লৌবা বোর্দ ইগজাম পূম্নমকসু অহানবদা মার্চ ৩১ ফাওবা য়ৈথোক্লগা অকোনবদা জুলাই ১ ফাওবা য়ৈথোকখি। ফোর্মেল ওইনা স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা মহৈ তম্বগী থবক-থৌরমশিংদি মার্চ ১৬তগী পূমলেপ লেপ্তুনা লাকখ্রবনি। মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকখ্রবা মতুংদা হৌজিক অনলোক্কী থৌরাং লৌখৎতুনা হীরম খরদা অথিংবা কোমথোক্লবগী থৌরাং লৌখৎলবসু করম্বা মতমদা স্কুলশিং মহৌশাগুম থোঙ হাংগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লৈঙাক্কী লোয়শঙ খরা অমসুং লন্নাই ওর্গনাইজেসন খরদা ষ্টাফ মশীং য়ামহন্দনা মথৌ পাঙথোকপা হৌরবসু মহৈ তম্ফম লোয়শঙশিংদি করম্বা মতমদা থোঙ হাংগদগে হায়বা কনামত্তনা হায়বা ঙমদ্রি। মীদিয়া রিপোর্টশিংদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা সেপ্টেম্বর ১ অমসুং নবেম্বর ১৪দগী তাঙ্কক নাইনা স্কুলশিং থোঙ হাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়জরগসু ষ্টেট অয়াম্বনা থৌরাং অসি য়ানিংদ্রি। মতম শাংনা মহৈ তম্ফম লোয়শঙ পূম্নমক থোঙ লোন্দুনা লাক্লবদা মহৈরোয়শিং অমসুং মমা-মপা ওইবশিংগী পূক্নিংদা লাংতক্লবা অমসুং মিপাইবা ফাওরক্লে। লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না মহৈ তম্ফম লোয়শঙ অয়াম্বদা ওনলাইন ক্লাস তৌরবসু মহৈরোয়শিংদা মপূং ফানা কান্নবা ফংহনবা হায়বদুদি ওইদ্রি। মসিগীসু মথক্তা লায়রবনা মশীং য়াম্বা লৈবাক অসিদা য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা স্মার্টফোন, পর্সনেল কম্প্যুটর নৎত্রগা লেপটোপ লৈতবা মরম্না মহৈরোয় পূম্নমক চপ-মান্ননা ওনলাইন ক্লাস য়াওবা ঙমদ্রি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ইন্টরনেটকী খূদোংচাবা ফংদে হায়বগী ৱাফম অমসু লৈরিবনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ওনলাইন ক্লাস নৎত্রগা দিষ্টেন্স লর্নিংনা নোর্মেল ক্লাসকী মহুৎ শিনবা য়ারোই হায়বা নোংমা-নোংমগী ময়েক শেংলকপগুম তৌরি।

চৈরকসিদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সেপ্টেম্বর ১ অমসুং নবেম্বর ১৪দগী তাঙ্কক নাইনা স্কুল অমসুং কোলেজশিং থোঙ হাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লি। ওগষ্ট ৩১দা সেন্টরনা মহৈ তম্ফম লোয়শঙশিং থোঙ হাংনবগী গাইদলাইন ফোঙবগা লোয়ননা ষ্টেটশিংদা অরোইবা ৱারেপ লৌহন্নবা থৌরাং তৌরি। অনলোক ৩.০গী মখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মতুং ইন্না ক্লাস টেন অমদি ক্লাস ত্বেল্ভতা তম্লিবা মহৈরোয়শিং থা অমগী মনুংদা নুমীৎ ১৫নি ক্লাস য়াওহনগদৌরি। ক্লাস টেনদা করিগুম্বা সেক্সন মরি লৈবা তারবদি অহানবগী নুমীৎ ১৫নিদা সেক্সন অনী ক্লাস য়াওহল্লগা লেমহৌরিবা নুমীৎ ১৫নিদা অতোপ্পা সেক্সন অনী ক্লাস য়াওহনগনি হায়রি। থৌরাং অসিগী মখাদা স্কুলশিং তাঙ্কক নাইনা অয়ূক পুং ৮দগী অয়ূক পুং ১১ ফাওবা থোঙ হাংলগা পুং ১ ব্রেক লৈরবা মতুংদা অমুক হন্না নুমীৎ য়ুংবা পুং ১২দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা থোঙ হাংগনি। মরক্তা পুং ১ ব্রেক লৈরিঙৈদা ক্লাসরুম পূম্নমক সেনিটাইজেসন তৌবগা লোয়ননা নোংমদা ওজা অমদি মহৈরোয় চাদা ৩৩দগী হেন্না লাকহল্লোই হায়রি। লৈঙাক্লা সেপ্টেম্বর ১দগী স্কুল পূম্নমক তাঙ্কক নাইনা থোঙ হাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়জরগসু মমা-মপা অয়াম্বগী ৱাখলদা মচাশিংবু স্কুল কাহন্নিংদবগী মওং অমা উবা ফংলি। হীরম অসিগী মতাংদা 'লোকল সর্কলস' কৌবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অমনা ওনলাইনদা চৎথখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়, মমা-মপা চাদা ৫৮না মহৈ তম্ফম লোয়শঙশিং থোঙ হাংবগী ৱাফম য়ানিংদ্রি। মমা-মপা চাদা ৩৩ খক্লা স্কুল থোঙ হাংহন্নিংলবসু অয়াম্বা মমা-মপানা স্কুল থোঙ হাংলবসু মচাশিং মহৈ তম্বা চৎহল্লোই হায়না ফোঙদোরকখি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎসু করম্বা মতমদা লাকশিনবা ঙমগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা মতম খরগী লোকদাউন হাংদোরকপা মতমদা ইনাকখুনবা ইমুংগী অঙাংশিং পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা মহৈ তমথখিবা য়াই। অদুবু মতম শাংনা মহৈ তম্বা ফংলক্তবনা সবজেক্ট অয়াম্বা খঙদবগী খঙদবা ঙাক্তা ঙায়শিল্লক্লবা লায়রবা ইমুংগী অঙাং কয়ামরুম মহৈ তম্বা তোকখিবদা থোইদোক্না ঙক্লিংঙাই ওইরোই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ৱাঙাঙ হৈতবনা মপা চৈবা শকই

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

হন্দক মরক অসি ইচাশিং নহারোল খরানা সী এমদা মথোঙ হুক্তবা ৱাহৈ-ৱাতা খরা শীজিন্নরুবদগী অফা-অপূন নংবসি খরা তোইবগুম তৌই। ইকুই কুইদ্রিঙৈদসু ইচা ইবেম্মা অমনা অহকপা ৱাহৈ-ৱাতা খরা শীজিন্নদুনা ইরুবগী ৱাথোক্লখিবা খরসু নীংশিংলি। ইচাশিং অসিদা য়াম্না খোইদৌ শিকপা মতাং লৈরমগনি। অদুনবু ৱাফমশিং অদু ফোঙদোক্লরিবনি। অসিগুম্বসি নিংথৌ পাল্লিঙৈ থকসি-খাসি য়াম্না ঙাক্লিঙৈদদি চৈরাক কনবনিনা কয়া হায়নরমদে। প্রজারাজ্য ওইরবসিদদি ফোঙদোকনীংবা কয়া মনীং তম্নরক্লে। অদুনা য়াগদৌবোই নীংবদগী হায়রমগদবা মাল্লি। তৌইগুম্বসুং, অয়া-য়াদ লৈরিবদু য়েংশিলহন্নীংই। তপ্লা-ঈংনা হায়বা য়াবা ৱাফমদু লাউ-খোংদুনা ঙাঙলগদি তাবদা য়াম্না ৱাবগুম মখোয়না ফোঙদোক্লিবা মওংদু ফম্নাইবশিংগী মফমদদি চৈথেং ফংই। পাউমীশিংসু মরক মরক্তা তাবা ৱাবা পাউদম ফোঙলুবগী লৈঙাক্কা মূক্লবা কয়া তোয়না থোকপসু থেংনখ্রে।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ঐখোয়গী ইমালোলসি য়াম্না ইনাক খুনবনি। অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়াবু ৱাহন্থোক চপ মান্নবীদা নাকোইননা ফোঙদোক্তুনা ইহন্নিংই। খুদম খরা - 'মাগী মচাদো মথীবোং য়াম্না লাওবনি' হায়বগী মহুত্তা 'মাগী মচাদো মবুক য়াম্না চাউবনি' হায়রগদি শাউদে। 'মাদি য়াম্না লিকপনি' হায়বগী মহুত্তা 'মাদি য়াম্না কুপচবনি' হায়বা; 'মাদি য়াম্না পঙবনি' হায়বগী মহুত্তা 'য়াম্না চমজবনি' হায়বদি শাউদে। পঞ্জরিবসিদি খরদনি অতৈ য়াম্না লৈরি। মী চৈবদা অথোৎপা-অমেংবা, তাবদা নুংঙাইবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নসি। ঐখোয় মীওইবদি থাগৎলি খঙনা হরাউবনি।

*অদোমগী - অসেম নিমাই*
*পিশুম কৈথেল মনিং, ইম্ফাল*

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q. ভেলেন্দ্রি মনা কুরু কাখৎপা, মহৈ পানবা ঙমদবা অমসুং দসকুস পাম্বীদা মহৈ পানবা ঙমদবা মরীদা পংচৎ চৎপসিবু করি হীদাক কাপ্লগা ফগদগে?

- কোঞ্জেংবম লুখোই

☞ মনা কুরু কাবসি অয়াম্বা মতমদা তীলনা মনাগী মহি চুপ্পদগী ওইহল্লি। তীলকুপ য়াওব্রা য়েংবীয়ু। য়াওরবদি Pegasus গ্রাম ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি। ওর্গেনিক ওইবা Killer 707 ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। মনাগী মথক মখা চোৎনবা কাপথোকসি।

দসকুস মরী পংচৎ চৎপা মহৈ পানবা ঙমদবসিগীদমক্তি Legend (Derived from Rhodophytes) গ্রাম মরি ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পাম্বীগী মনা, মউ পূম্বা মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোকসি। নুমিৎ ১৫নি শুবদা অনীশুবা ওইনা কাপথোকসি।

Q. Almix হায়রিবা নাপী হীদাক অসি ফৌ হুনখ্রবা মতুং করম্বা মতমদা অমদি নুমিৎ কয়ানি লৈরগা চাইবনা হেন্না কান্নবা ফংগদগে? অমদি মসিগা মান্নবা হিদাক মখে খরসু তাকপীরকউ।

- সোইবম মিনকেতন, সিখোং কুম্বী, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট

☞ Almix কা মান্নবা হিদাক ময়াম অমা লৈ। Metsulfuron methyl 10% + Chlorimuron ethyl 10% WP অনীসিগী অপূনবা হিদাকনি। Mahamix সু অসিগুম্বা হিদাকনি। নাপি হৌরবা মতুংদা নাপীশিংবু হাৎনবা হিদাকসি ফৌ হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ২০-৩০নি ফাওবগী মনুংদা চাই। অদুবু তশেংবমক্কীদি ফৌ হুনবা নুমিত্তগী নুমিৎ মশীং থিবা হৌগদবদি নত্তে। ফৌ হুনগদবগী লৈবাক শেম শাবা লোইবা নুমিৎ (উকাই তকপা) নুমিৎতুদগী মশীং থিগনি। মরমদি লৈবাক্কী মথক থংবদা লৈরিবা নাপী মরূশিংদু হৌগদবগী ঈশিং চুপশিনবা, নাপী মরূগী enzym শিং এক্টিভেট তৌবা হৌখ্রনি। নুমিত্তুদগী নাপীদুগী মপুন্সি হৌরনি। করিগুম্বা ফৌনা নুমিৎ ১০নি চোম্থরগা হুনবদা নাপীদুদি নুমিৎ ১০নি শুরে। ফৌ পাম্বীগী নুমিৎ নত্তে। নাপীগী নুমিৎ মশীং ওইনা থিগনি।

লৌফমদা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হিদাকশিংগী মরমদা কলম অসিদা থমজখ্রে। মতাং চাবদা অহেনবা ৱাফম খরগা থমজরক্কে।

Q. ঙা য়োকপা লৌফমদা নুংয়েং (মরূ চিকপী তীল) ঙাকথোক্লবা, মণিপুরদা ফংবা হিদাক নৎত্রগা করম্বা পাম্বৈ শীজিন্নবা য়াবগে হায়বদু তাকপীরকউ।

- হৈখাম অচৌ, কৈরাও বিত্র

☞ ঙাসু য়োকপা লৌফমগী ফৌ পাম্বীশিংদু নুংয়েং তারক্লবদি ঙা শোক্তনবা নুংয়েংবু লাকশিনবা ঙম্বা Chlorantraniliprole (Coragen) শীজিন্নবা য়াই।

Monocrotophos সু ঙা শিদে হায়দুনা ময়াম্না পাম্না শীজিন্নবসু য়াওই। অদুবু Monocrotophos তোয়না থেংনরবা ঙাশিংগী মমিত্তা অপাবা কুরাংবান অমা কুপশিল্লক্তুনা মচিঞ্জাক উরক্তে, চাবা ঙমশিল্লক্তে। ময়াং কংলকই। ঙাথোক হন্থগনি। মকোক্লা ঙম্বা ঙাশিং য়াওরক্কনি। করিগুম্বা মতমদা মকোক্লা ঙম্বা মতোং য়াওদবা ঙা থেংনবদা লাইনি খন্নবসু য়াওরিবনি।

Q. কোবি চারা হুল্লিবসি মনা অনী-অহুম শুরে। ফজরে হায়না লৈরে অদুবু তীল ময়াম অমনা য়োমশিল্লে। মথী অশংবা ময়াম অমসু তারীবসিবু করি হিদাক কাপ্লগা ফগদগে?

- খোইস্নাম অবোই, লৈফ্রাকপম অৱাং লৈকায়

☞ Ampligo মিলিলিটর অমা ঈশিং লিটর অমদা য়ানশিনবীরগা কাপথোক্কনি। নুমিৎ নিপান্নি লৈরগা অমুক হন্না কাপথোক্কনি। অরেম্বা হিদাকশিংদু লৌফমগী ময়োল চিকপী, মনা কোনশিনবী মরেক্লচিংবগীদমক শীজিন্নবা য়াই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা**
**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# থৌদাং য়ামিন্নদুনা অফবা মরূ পুথোক্লসি, শেন্দাল লম্বী শেন্নসি, মীয়ামগী থৌগল ফংলসি

- এস সুমঙ্গল -

মরূ হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়দুনা মরূ কৌরিব্রা হায়বা ফাওবা য়ারে হায়নরিবনি। লৌউ পোত্থোকশিং পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবদা মরূনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লোয়ননা মরূ হায়বসিনা লৌউ কাংলোন খুদিংমকপু মাঙদা পুদুনা চৎলিবা গাড়ী অমনি। গাড়ী অসিনা লেপখিবদা হায়বদি মরূনা লৈত্রবদা লৌউবা লেপখিগদৌরিবনি। মরম অদুনা মরূবু মশা ফহল্লবা/গাড়ীদুবু ফীভম ফনা থল্লবা, মদুবু থৌরিবা হায়বদি লৌউ-শিংউ তৌরিবশিংনা নীংথিনা হৈ শিংনা লৌ উরবা অমসুং গাড়ীদুনা থৌগদৌরিবা লম্বীদুনা/লৌ উবদা চঙবা পোৎলমশিং অদুনা মতম চানা, খরা হোংনা ফংহনবা ঙল্লবতদা লৌউ শিংউনা মাঙলোমদা য়াঙনা চেনবা ঙমগদৌরিবনি। মসিদা পূম্নমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। গাড়ী নিংথিনা শেম্বী শাবিবনা লৌউ বৈজ্ঞানিকশিংগী থৌদাংনি অদুগা লম্বী ফহনবনা লৈঙাক্কী থৌদাংনি। মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক্তি মরূগী মরু ওইববু খঙবিদুনা লৌউ লোইশঙগী খুত্থাংদা থৌদাং য়ামিন্নদুনা অফবা মরূ পুথোকপগী খুদোংচানবা সীদ সর্টিফিকেসন সেল অমদি থম্বীরে। মসিগী মখাদা অফবা মরূ পুথোকপগী থবক খরদি সি এ য়ু, আই সি এ আর, লৌউ লোইশঙ, কে ভি কেশিংগা অমদি থৱায় য়াওবা লৌ উরিবা ইচিন ইনাওশিংগা পূন্না চৎমিন্নদুনা অফবা মরূ পুথোকপা হৌরে।

**মরূ করিনো?** - লৌউ-শিংউগী লোন্দা থাননবা শীজিন্নরিবা পূম্নমকপু মরূ কৌই। খুদম ওইনা ফৌদি হায়রগা ইপা ইপুশিংনা থাননবা ফৌবু খঙনরম্মী, ইচম চম্না ফৌ কৌরমদে, কোত্তা চাননবা থল্লিবা অদুবুনা ইচম চম্না ফৌ হায়রগা খঙনরম্মী। মসিগী ৱাহন্থোক য়াম্না লৈ। অসুম্না চুগী মমিৎ য়াওবা মতাংশিংবু, আলুশিংবু, পান্নাওশিংবু, শিং, য়াইঙংগী মনাওশিংবু থাননবা শীজিন্নবা মতমদা মরূ হায়না খঙনগনি। লৌউ-শিংউগী লোন্দা, কোত্তা চাননবা থল্লিবা ফৌ অদুবুনা গ্রেন হায়না খঙনৈ।

**অফবা মরূ কদায়বু কৌবগে?** - তোঙানবা চেনফম থোকপা মগুন খরা চেনবা মরূশিংবু অফবা মরূ কৌননবা মচাক ওইহল্লি। মগুনশিং অদুদি ঃ ১) পারি পুরি শেংবা (জিনেটিক প্যুরিটি) - থাগদৌরিবা মরূ অদু ধারা শেংবা ওইবা তাই। খুদম ওইনা সনাফৌ থারগা সনাফৌ হৌরক্কদবনি, তম্ফা ওইনা থোরকপা য়াদে। জিনেটিক প্যুরিটি অসি ৯৮% ওইবা তাই। হায়বদি সনা ফৌ পাম্বী চাম্মগী মনুংদা ৯৮ দি সনাফৌ ওইগদবনি। অনীনা অতোপ্পা ওইবা ফাওবদি য়াই। ২) ফিজিকেল প্যুরিটি : হায়বদি অমোৎ অকায় য়াওদবা হায়বনি। উফুল, নুংকুপ, চৈতেক-চৈরাং, ফৌহাম, অতোপ্পা পাম্বীগী মরূ, চরু-চনাইগী মতেক্লচিংবা অমদি অতোপ্পা পোৎলমশিং য়াওবা য়াদে।

৩) মরূনা হিংবগী মগুনশিং ঃ (ফিসিওলোজিকেল প্যুরিটি)

ক) ঈনিলগী চাং - ১৩%। মসিদি য়াম্না কংনা ফৌরগা অদুমক য়ারে। চাং য়েংগে হায়রগদি ফৌ খরা লৌরগা খুনিংনা লৈখাইবা মতমদা চেঙ মপুম ওইনা থোক্লক্লবা অদুগা চেঙ অদু য়ানা চিকপদা কক লাওবা মখোল থোক্লবদি য়ারে। খ) মতোন থোকপগী চাং - ৮৫%। গ) মপাঙ্গল- মশা ফনা হৌবা ঙম্বগী চাং অদুবুনি। ফৌহামদগীসু মতোন থোক্তুনা ফৌ পাম্বী হৌবা ঙম্মী অদুবু কৈদৌনুংদা মশা ফবা পাম্বী ওইবা ঙল্লোই। ঘ) হিংবগী চাং- মরূশিং অদুগী মরক্তা কয়া য়াম্না হিংলিবগে হায়বদুনি। হিংলবদি মতোন শোইদনা থোক্কনি। ৪) লায়না তীলনা - মরূ মশা শেংবা তাই, লায়না চেনবা মরূ য়াওদবা তাই, লোয়ননা তীলগী মরূম অমদি মচা য়াওদবা তাই।

**অফবা মরূ পুথোকপগী লৌউ কাঙলোন ঃ** অফবা মরূ পুথোক্তুনা লৌমীশিংদা মরাং কায়না মতম চানা য়ৌহন্নবগীদমক মরূগী মখলশিং (ক্লাস) মথং-মনাও নাইনা পুথোকপগী কাঙলোন শেমদুনা লৈ। মরূগী মখলশিং অদুদি ঃ- ক) ন্যুক্লিয়স সীদ খ) ব্রীদর সীদ গ) ফাউন্দেসন সীদ ঘ) রেজিষ্টরদ সীদ - মসিমদি কাম্থোক্লরে ঙ) সর্টিফাইদ সীদ-মসিমদি অফবা অশেংবা মরূ হায়দুনা ময়ামদা ফংহল্লিবদুসুনি।

হায়রিবা মরূ মখলশিং অসিবু য়োল্লিবা অদুগী মথক্তা থারিবা লেবেলগী মচুশিংদি- ব্রীদর সীদকীনা - সনা মচু হাইরপ চঙবা নাপুনি। ফাউন্দেসনগীনা - অঙৌবনি। সর্টিফাইদকীনা - শংলপ তৌই।

কাঙলোন চুম্না চাং চানা, মতম চানা মরূ ফংহন্নবা মরূ মখলশিং অসি মতম চানা কয়া য়াম্না চঙগনি হায়বসি মতম চানা লেপথোক্তুনা ইন্দেন্ট তৌবা চৎনৈ। নৎত্রবদি মতম চানা মরূ ফংবা ৱাগনি।

**অফবা মরূগী কান্নবা ঃ** অফবা মরূনা থাবা মতমদা চাথোক অসি ১৫%-২০% ফাওবা হেনগৎহনবা ঙম্মী। হায়বদি কোৎতগী হেক্তা পেল্লগা থাবগা অফবা মরূনা থাবগা চপ মান্ননা হোৎনবদা ফংবা চাথোক অনীসি য়েংনবদা অফবা মরূনা থাবনা ১৫%-২০% হেন্না থোকই হায়বনি। পরিদা ফৌবোৎ ১০০ থোক্লম্বা অদু ১২০ থোকই হায়বনি। অসুম্না মণিপুরগী লৌ পরি চাওরাক্লা লাক্ষ অমা মখাই খরা হেনবা অসি লোইনমক অফবা মরূনা শিন্দোকপা ঙল্লবদি ফৌগী চাথোক অসি লাক্ষ ৩০ গী মথক্তা হেনগৎপা ঙমগদৌরিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরদা অফবা মরূনা কয়া য়াম্বা লৌফমদা থাবা ঙল্লবগে? করম্না ওইথোক্কনি?

**সীদ রিপ্লেসমেন্ট ঃ** থানরিবা মরূশিং অফবা মরুনা শিন্দোকপবু সীদ রিপ্লেসমেন্ট কৌই। লৌফম অপূনবগী চাদা কয়া য়াম্না অফবা মরূনা শিন্দোকপা ঙল্লবগে হায়বরোমদা পারবসু মদুবু সীদ রিপ্লেসমেন্ট রেট হায়না খঙনৈ। মণিপুরগী ওইনা হায়রিবা অসি কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদু চপ চানা হায়বা ঙমদ্রবসু য়াম্না নেল্লি, চাদা ১০-১৫ দগী হেন্দে হায়বা য়াই। অতৈ ষ্টেট খরগী অমুক য়েংসি।

অন্ধ্র প্রদেশ - ১০০%, টামিল নাদু-৭০%, কর্ণাটাকা ৪২%, আসাম - ৪৬%, পঞ্জাব - ৪০%। মসি ২০১০-১১ গী দাতানি। ফৌগীদমক অফবা মরূনা হানবা থারবা মতুং চহী অহুম ফাওবদি মদুদগী লোকপা ফৌনা অদুমক অফবা মরূ ওইনা থাবা য়াই। মরিশুবা চহীদদি অনৌবা অফবা মরূনা অমুক শিন্দোকপা তঙাইফদে। মরম অদুনা অপূনবা লৌফমগী শরুক মরি থোকপগী অমত্তং হায়বদি চাদা ২৫ শিন্দোকপগী পান্দমখক ফংবদা অদুমক য়ারবনি। মসি ফাওবা, ঙসি ফাওবা মণিপুরদদি ফংবা ঙমদ্রি।

**ফৌদি পুথোকপগী কাঙলোন ঃ** ১) ঙসিদি ইন্দিয়াগী অয়াম্বশিংদা চঙশিনমিন্নবগী ওইবা মওংদা অয়াম্বা চঙশিন্নরক্লি। মওং অসিদি সাইন্টিষ্টশিং, এক্সটেন্সন পার্সোনেলশিং, মরূ পুথোক্কদৌরিবা মীওইশিং, পুথোক্লিবা মরূশিং অদুবু লৈবিগদৌরিবা এজেন্টশিং, মরূদুবু সর্টিফিকেট পীগদৌরিবা মীওইশিং পূন্না চৎমিন্নবগী মওংনি। মওং অসিদা ফৌদি পুথোকপগী মওং অসিনা মায় পাকপগী চাংসু য়াম্না হেনবা থেংনরি। মসিদা মরূ পুথোক্লিবা মীওইশিংগা ওথোরিটিশিং/লৈবিগদৌরিবশিংগা হীরম খরদা য়ানচে খূৎয়েক পীনবগী মওং অমদি চঙই। মসিমদি মফমসিদা থমজররোই। থাজনবগী পোৎশক অমনি। অদুবু চহী খরগী মমাঙদগী সী এ য়ু, ইম্ফাল, আই সী এ আর, মণিপুর, এগ্রি দিপার্টমেন্ট, মণিপুরনচিংবগা য়ানচে ইনদুনা মরূ পুথোকপা ইচিন ইনাও কয়া অমদি থোরক্লে। পুকচেল শেংনবা অমদি চঙই।

**হৌজিক ফৌদি পুথোকপগী লৌউ কাঙলোন খরা য়েংসি ঃ** ক) মফম খনবা : মরূ পুথোক্কদৌরিবা লৌকোন নৎত্রগা লৌফম অদু খনবা হায়বসিসু য়াম্নমক মরু ওই। গাড়ী চঙথোক চঙশিনগী খুদোংচাবা মফম ওইবা তঙাইফদে। মসিনা ইন্সপেক্টরশিংনা য়েংশিনবা লাকপদা খুদোংচাবা মফম ওইবা তঙাইফদে।

খ) লৌফম খনবা ঃ হান্ননা মান্নদবা ভেরাইটি থাখিবা মফমদা খরা হেনবা মিৎয়েং চঙদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎত্রবদি শোইনিঙাই ওইবা মরম্না মফমশিং অসিদা থারোইদবনি। অদুবু কনাগুম্বনা তঙাইফদনা থাদবা য়াদে হায়বদি মফমদুদা হৌরকপা য়াবা হান্নগী ফৌশিং হৌদোকহল্লবা মতুংদা মখোয়বু হান্না মাঙহন্নবা হোৎনগনি।

গ) আইশোলেসন : মরূ পুথোক্লবা ফৌ থাগদৌরিবা মফম অদু অতোপ্পা মান্নদবা ফৌশিংদগী লাপ্পা থাবা তাই। মরূ থাগদৌরিবা লৌফম অদু অতৈ ফৌ থাফমদগী মিটর ৩ মায়কৈ খুদিংমক্তা লাপ্পহনগনি। নৎত্রগনা থংনরিবা ফৌ অদু য়ামদ্রবদা থা মখাই অমদগী তাদনা অমনা ঙনবা নৎত্রগা থেংনা শাৎপা ওইগদবনি।

ঘ) লৌহোন হুনবা ঃ ফৈদোম নাইনা শেন্নগা লন্তক্লা হুনবিগনি। ফৈদোমশিং মিটর অমদগী হেন্না পাকহনগনুসি। মসিনা লৌহোন শেন্নবা মতমদা খুদোং য়াম্না চাবা হেলহনগনি।

ঙ) মরূদা হীদাক তোৎপা ঃ ক্লোরোপাইরিফোস ২০% ই সি মিলি: ৪ গা কারবেন্দাজিম ৫০% গ্রাম ৪ গা পূন্না ফৌদি কিলো অমগীদমক চঙগনি। ফৌদি অদুনা তীলনা অমদি লায়না চেনবা মরূ ওইরল্লবদি য়াম্না কান্নবা ফংগনি। হীদাক তোৎপগী মওংদি তোঙান তোঙান লৈখ্রে। ক্লোরোপাইরিফোস চাং হেলহনবা য়াদে, খরা হন্থনা হাপ্পদি য়াই।

২) হার হাপ্পা ঃ অতৈ ফৌ থাবগা মান্নে অদুবু পোটাস খরা হেন্না হাপ্পা ফৈ। মণিপুরগী ওইনা পরিদা য়ুরিয়া কিলো ১৬০-৭০; সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলো ২৫০-৬০; ম্যুরিএত ওফ পোটাস কিলো ৮০ চঙগনি। অহুল্লক থোকনা চাইসি। ১) অরোইবা খোইবদা য়ুরিয়া তঙ্খাই অমা এস এস পি পূন্না, পোটাস অপূনবগী শরুক অহুম থোকপগী অনী হায়রিবশিং অসি পূন্না চাইগনি। ২) মচা কন্না পোল্লকপা মতমদা লেমহৌবা য়ুরিয়াগী তঙ্খাই অমা অমুক অদুগা ৩) মশা তাশিনবা মতমদা লেমহৌবা য়ুরিয়াগা লেমহৌবা পোটাসকা পূন্না চাইগনি।

৩) হাবেংবা : নাপীগা ফৌগা য়েৎনরবদি চাথোক য়াম্না হন্থে হায়বসি ইখঙ খঙনরবা অমনি। মতম চানা নাপী হীদাক শীজিন্নসি।

৪) ফৌমাং খন্দোকপা ঃ মসি য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমনি। মসি ফৌ মরূ শেংহনবদা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। লৌহোন ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা মান্নদবা খন্দোকপা হৌবা য়ারে। মতম পূম্নমক্তা কুপশেন শেন্নদুনা মওং অমদা হেক্তা মান্নদবা থেংনরবদি চিংনদনা হেক্তা লৌথোক্কনি। মসি ফৌ লোক্লমদাই ফাওবা চত্থবিগনি। মান্নদবা ফৌ পাম্বীশিং ফুক্তোক্তুনা লৌথোকপীগনি, থাঙ্গোলনা খাওদোকপখক্লা কান্নরোই, উরিজাকনচিংবা পাম্বীসু অদু মঙাই। ককথৎলবা পাম্বীশিং অমুক শোইদনা চোংখৎলক্কনি।

৫) লায়না তীলনা ঃ মতম মতমদা তারকপা খুদিংমক ঙাকথোক্লবা অখঙ অহৈ মতম চানা তানবীগনি।

৬) লোকপা ঃ মতম চানা লোকপা য়াম্না মরু ওই। চরোংদা পাল্লিবা মরূশিংগী ৮৫-৯০% চরু মচু ওল্লবা মতমদা লোকপা য়ারে। কা হেন্না মুল্লগা লোকপগী মাঙজবা য়াম্না লৈ। মুন্দ্রি খল্লিবা শংলিবা মরূশিং মুনবা ঙাইরিঙৈদা চরোংগী মতোন্দা পানবা মপূং ফারবা চঙ-চঙ লাওবা মরূশিং কেন্দুনা মাঙবনা হেনগনি। শংমুন্ননা খাওবা মতমদা খাওদোক্লবা পাম্বীশিং অদুসু পাল্লিবা মরূশিং অদুসু হিংলিবনি। ফৌখোক্তা য়াওরম্বা ঈশিংগা লোয়ননা মচিঞ্জাক খুদিংমক মরূদা পীশিন্দুনা মরূদু মপূং ফাবা ঙম্মী।

৭) য়ৈবা ঃ অনানবা, অতোপ্পা ফৌমাং পক্তুবা ফক্তা য়ৈবিগনি। ফৌদি হাইফমদা তাবা মরূদমক লৌবনা ফৈ। য়ৈরিঙৈ মতমদা অতোপ্পা মীওইশিংনা মতেং পাংবা লাক্লবসু মখোয়বু হান্না মখোয়গী ফি-রোল শেংনা কন্থোক শেংদোক্লগা য়াওবীনবা হায়বা তঙাইফদে। মখোয়গী মশাদা পল্লকপা অতোপ্পা ফৌ মরূশিংনা মরূ শেংহন্দনবা মচাক ওইরকপা য়াই। মেছিন্না য়ৈবসু য়াদে, অতোপ্পা মফমদা য়ৈবদা য়াওরকপা মরূশিং শোইদনা য়ানশিনখিগনি। ৱানা হোৎনরকপা খুদিংমক অরেম্বা তাগনি।

৮) মরু শেংদোকপা, খনবা অমসুং পেক্কিং তৌবা ঃ য়ৈরবা ফৌশিং শেংনা হুমদোক্তুনা চরু মতেক, ফৌহাম, অতৈ অমোৎ অকায় য়াওদনবা হোৎনসি। কংনা ফৌগনি। বোরাদা হান্দুনা মমিং মথা থাদুনা থমগনি। বোরাশিং য়ারিমখৈ অহনবা শীজিন্নসি, অরিবা বোরা ওইরবদি হান্নগী ফৌ পক্তনবা হোৎনবীগনি।

অসুম্না লোক্লবা মরূশিংগী সেম্পল লৌদুনা ঈশিং-মনিল, অমোৎ অকায়, চৈতেক-চৈরাং, ফৌহাম, অতোপ্পা মরূনচিংবা য়াওবগী চাংগা লোয়ননা মতোন থোকপগী চাং য়েংলবা মতুংদা সর্টিফাই তৌহনগনি। ●